# লানগী অকিবা হেনগৎলকপদগী য়ুক্রেনদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি মতম খরগী ওইনা মফম হোংলগনি

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারি ১৫ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী কেপিটেল সিটি কিভতা লৈরিবা য়ু এসকী এম্বেসি মতম খরগী ওইনা নোংচুপ থংবা সিটি লভিভতা হোংলগনি হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকননা লাউথোকখ্রে।



এম্বেসিগী মফম হোংগদৌরিবদু য়ুক্রেনগী বোর্দরদা উংখৎনবা হেনগৎলকপদগীনি হায়না ব্লিনকননা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি মদুদি, রসিয়ন ফোর্সশিং বোর্দরদা লেপ্তুনা পৈশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না য়ুক্রেনগী কিভতা লৈবা ঐখোয়গী এম্বেসিগী থবক থৌরমশিং লৈবাক অসিগী নোংচুপথংবা সিটি লভিভতা ওইনা হোংলগা মখা চত্থনবগী প্রোসেস পায়খৎলি। য়ু এস এম্বেসিনা মখা তানা য়ুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টকা এনগেজ তৌগনি অমসুং দিপ্লোমেটিক এনগেজমেন্টশিং কোওর্দিনেট তৌগনি হায়না এজেন্সীনা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, মহাক্কী লৈবাক্না রসিয়ন গভর্ণমেন্টকা মখা তানা এনগেজ তৌনরি অমসুং দিপ্লোমেসিগী লম্বী হৌজিকসু লৈরি। ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা থাংজ নুমীৎতা কিভতা লৈবা এম্বেসিদা থবক তৌরিবা য়ু এসকী পর্মিনেন্ট ইমপ্লোয়ী অয়াম্বা মফম অদু থাদোক্নবা ওর্দর তৌখ্রবনি। ৱারেপ অসি রসিয়ানা য়ুমথংনরিবা য়ুক্রেনদা মিলিটরি এক্সন লৌখৎলকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা লৌরকপনি হায়না দিপার্টমেন্টনা ক্লেম তৌখি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী মতুংইন্না পাসপোর্ট, ভিজা অমদি অতৈ রুটিন কন্স্যুলর সর্ভিসশিং নোংমাইজিং নুমীৎতগী লেপখ্রে। হৌজিক্তি ষ্টাফ মশীং হন্থরবা য়ু এস দিপ্লোমেটিক টিমনা লভিভ সিটিদা ইমর্জেন্সিশিং হেন্দল তৌরগনি। য়ু এস অমসুং রসিয়াগী তোপ দিপ্লোমেটশিং অমসুং দিফেন্স ওফিসলশিংনা থাংজ নুমীৎতা টেলিফোনদা ৱারী শানদুনা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিসগী মতাংদা খন্নখি অমসুং নুমীৎতুগী অথেংবদসু য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মরক্তা ফোনদা ৱারী শানখি।

দিপ্লোমেটিক ষ্টাফ হোন্দোকপগী মথক্তা য়ু এসনা য়ুক্রেনদা লৈরিবা লৈবাক অসিগী নেসনলশিং খুদক্তা মফম অদু থাদোক্নবা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা তক্নদুনা লাকখি। য়ুক্রেনদা লান অমা খঙহৌদনা থোরকপা মতমদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ু এস সিটিজনশিং য়ু এস মিলিটরিনা মতেং পাংবা ঙম্লোই। ৱাশিংতননা ইন্টল্লিজেন্স ছোর্সশিং পল্লদুনা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারকপা য়াবগী ফীভম লৈরে হায়না ৱার্নিং তৌদুনা লাকপনি।

# রসিয়া-য়ুক্রেন টেন্সন : য়ু এন চীফনা দিপ্লোমেসিগী পান্থে শীজিন্নদুনা উংখৎনবা লেপহন্নবা আপীল তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ফেব্রুৱারি ১৫ (এজেন্সী): দিপ্লোমেসিগী পান্থে শীজিন্নদুনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা লেপহন্নবা য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা আপীল তৌখ্রে।



পাউমীশিংগা উনবদা গুটেরেসনা হায়খি মদুদি, হৌজিক লৈরিবা উংখৎনবা ফীভম অমসুং মিলিটরি কনফ্লিক্ট লাকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লিবা অদুনা মহাকপু য়াম্না নুংনাংহল্লি। মীশি-মীনা কয়া থোকপগা লোয়ননা অমাঙ-অতা কয়া থোক্লকপনা য়ুরোপিয়ন অমসুং গ্লোভেল সিক্যুরিটিদা চাউনা চৈথেং নংহনগনি। অসিগুম্বা মাঙ-তাক্নবগী মশক ওইরবা লানগী ৱাখল অসি ঐখোয়না য়াফম থোক্তে।

দিপ্লোমেসিদগী হেন্না ফবা অতৈ পান্থে লৈতে হায়না পল্লদুনা গুটেরেসনা হায়খি, খন্নবদা ৱারবা প্রোব্লেমশিং য়াওনা ইস্যু খূদিংমক দিপ্লোমেটিক ফ্রেমৱার্কশিংগী খুত্থাংদা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগনি। প্রিন্সিপল অসিদা মীপুম খূদিংমক্না থাজবা থমগনি হায়না ঐহাক্না থাজে।

নিংথৌকাবা নুমীৎকী অঙনবদা সেক্রেটরি-জেনরেলনা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভ্রোভকা লোয়ননা ভর্চ্যুএল মীটিং অমা পাঙথোকখি। মহাক্না য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবাগসু তোঙান্না ৱারী শানখি। মহাক লাক্লিবা মতম খরা অসি লেপ্তুনা মরী লৈনবা খূদিংমক্কা লোয়ননা এনগেজ তৌগনি হায়না গুটেরেসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, সেক্রেটরি-জেনরেল ওইনা ইন্টরনেসনল লোগী মরুওইবা য়ুম্বী অমা ওইরিবা য়ু এন চার্টর মপুং ফানা ঈকায়খুম্নবা আপীল তৌবা হায়বসি মহাক্কী মথৌনি। মেম্বর খূদিংমক্না মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা মালেমগী ওইবা য়েৎনবা খূদিংমক পিছ, সিক্যুরিটি অমসুং জষ্টিসতা অকায়বা থোকহল্লোইদবা মওংদা ঈংনা চিক্না লৈখায় তানবা হোৎনগদবনি হায়না য়ু এন চার্টরগী আর্টিকল টুগী শরুক অমা পল্লদুনা সেক্রেটরি-জেনরেলনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, হৌজিক উংখৎনবা ফীভম হন্থহন্নবগী মতমনি। অমগা অমগা উংখৎনবা অমদি খোয়রাং খোয়শাউবা হেনগৎহনগদবা ৱাঙাং-ৱাতাশিং হৌজিক্কী লৈরিবা ফীভম অসিদা চন্নরোই। পব্লিক ষ্টেটমেন্টশিং পীবা মতমদা উংখৎনবা হন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা পীগদবনি, লৈবাক্কী লুচিংবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা কন্টেক্ট তৌনবা য়াওনা হন্দক্তা দিপ্লোমেটিক কন্টেক্টশিং অমসুং এনগেজমেন্টশিং হেনগৎলকখিবা ফীভম গুটেরেসনা তরাম্না ওকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়নসু পনখি।

# অফঘানিষ্টানগী লাম্মী মশীং অহানবদা ১১০,০০০ থমগনি

কাবুল, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানগী লাম্মী মশীং অহানবদা ১১০,০০০ থমগনি হায়না টালিবানগী এক্টিং দিফেন্স মিনিষ্টর মুলা মুহম্মদ য়াকুব মুজাহিদনা ফোঙদোকখ্রে। তঙাইফদবগী মতুংইন্না লাম্মী মশীং হেনগৎলক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীদিয়াদা ৱা ঙাংলদুনা মুজাহিদনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০২১গী ওগষ্টতা টালিবাননা লৈঙাক পায়রকখিবদগী মীওই ১০,০০০ রোম আর্মিদা চঙহন্নবা ট্রেন তৌখি। অহেনবা মীওই লিশিং ৮০ মখা তানা হাপচিনখি। প্লেনশিং অমসুং মিলিটরি গাড়ীশিংগা লোয়ননা চোপ্পর ৪০০০ অমুক হন্না মথৌ তৌবা য়াহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হান্নগী অফঘান গভর্ণমেন্টকী ওফিসরশিংগী মরমদা পল্লদুনা মিনিষ্টর অসিনা হায়, দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ইমপ্লোয়ীশিংগী চাদা ৯৫দি হান্নগী ওফিসরশিংনি।

# পাকিষ্টান আর্মি চীফনা নোংমত্তদা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগা উনখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী): য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমা ওইনা পাকিষ্টানগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সী ও এ এস) জেনরেল কমর জাভেদ বাজৱানা নোংমত্তদা প্রসিদেন্ট অরিফ অলভি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা উনদুনা তোঙান-তোঙান্না ৱারী শানখ্রে।

দোনগী রিপোর্টনা হায়, আর্মি চীফনা প্রাইম মিনিষ্টরগা অফঘানিষ্টানগী সেসনগা মরী লৈনবা এপেক্স কম্মিটিগী মীফমগী নাকোয়ননা উনখিবা ওইরবসু সী ও এ এসনা ষ্টেট অমদি গভর্ণমেন্টকী মকোক অনীমক নোংমত্তদা উনবা হায়বসি তাঙনা থোকই। খান অমদি বাজৱা উনখিবগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থোকখিবা য়াম্না তেনবা ষ্টেটমেন্ট অমনসু পোলিটিকেল ওবজার্ভরশিংদা মখোয় করি ৱাফম খন্নখিবগে হায়বগী মতাংদা চিংনবা হেনগৎহনখি।

মীটিং অদুগী মতাংদা পি এম ওনা ফোঙদোরকখিবদা, চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ জেনরেল কমর জাভেদ বাজৱানা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা উনখি। উনবা অদুদা পাকিষ্টান আর্মিগা মরী লৈনবা প্রোফেসনল মেট্টরশিং খন্নখি। চৈরকসিদা প্রসিদেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা অলভি অমসুং সী ও এ এসকী মরক্তা উনখিবদুদা হন্দক্তা বালোচিষ্টান অমসুং খাইবর পাখতুনখ্বাদা থোকখিবা টেররিজমগী থৌদোকশিং খন্নখি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

# ব্রসেলস পুলিসনা ফ্রিদম কনভোয় প্রোটেষ্ট থিংখ্রে

ব্রসেলস, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী): বেলজিয়মগী কেপিটেল সিটি সেন্টর শিন-থুংনা প্রোটেষ্ট চত্থদুনা সিটি অসিগী মহৌশাগী ওইবা থবক থৌরমশিং মপুং ফানা লেপহন্নবা কনাদাদা তৌখিবগুম্না কারশিংগী ওইবা 'ফ্রিদম কনভোয়' প্রোসেসন পাঙথোক্নবা হোৎনখিববু ফেদরেল অমসুং লোকল পুলিস ফোর্সশিংনা অথিংবা পীখ্রে।

ব্রসেলসকী মেয়র ফিলিপ ক্লোজনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা আর টি বি এফ রেদিওদা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না কার অমসুং কেম্পর ভেন ৪০০দগী ৫০০ ফাওবা থেংনখি। প্রোটেষ্টরশিংগী গাড়ীশিং অদু সিটি অসিদা চঙলকপা থিংননবা ব্রসেলসকী মতায় থংবা শরুকশিংদা পুলিস দিপ্লোয় তৌখি।

ফ্রান্স অমসুং নেদরলেন্দসতগী লাকপশিং য়াওনা গাড়ী ১৩০ রোম সিটি অসিগী চিদাইদা লৈবা ব্রসেলস এক্সপো পার্কিং এরিয়াদা চৎননবা খঙহনখি। প্রোটেষ্টরশিংনা কেপিটেল সিটিগী থবক থৌরমশিং লেপহন্দুনা মখোয়গী অপাম্বা দিমান্দ ফংনবা হোৎনবা তৌরোইদবনি হায়না ক্লোজনা ফোঙদোকখি।

ব্রসেলস-কেপিটেল পুলিসকী মতুংইন্না মীওই ৩০ প্রোটেষ্টকী থৌরাং অদুগা মরী লৈননা ফাখি। চৈরকসিদা পুলিস ফোর্সশিং ব্রসেলস এয়রপোর্টতসু দিপ্লোয় তৌখি। এয়রপোর্ট অসিদা দেমোন্সত্রেটর গ্রুপ অমনা মরুওইবা খোঙ লম্বীশিং থিংজিনখি। প্রোটেষ্ট অদুবু শীল-লাংলিবশিং মখোয়গী এক্টিভিটিশিং পাঙথোক্নবগী পর্মিসন ফংখিদে।

# লাহোরদা খৎন-চৈনবদা খৃষ্টিয়ন নুপা ১ শিরে

লাহোর, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সকী কেপিটেল সিটি লাহোরদা মুস্লিম অমসুং খৃষ্টিয়ন কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোক্লকপদগী মশাগী চহী ২৫ শুরবা খৃষ্টিয়ন নুপা অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অশোক-অপন নংখ্রে হায়না রিপোর্ট খরনা হায়রি।



সিটি অসিগী ফেক্টরি এরিয়াগা নক্কনা ৱাল অমা চনখৎপগী মতাংদা কম্যুনিটি অনীগী মীওইশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোক্লকখিবনি হায়না ফ্রাইদে টাইমসকী রিপোর্টনা হায়রি। খৎন-চৈনবা অদুদা মকোক্তা য়োৎচৈনা কল্লকপদগী ফীভম থিনা শোকখিবা পর্ভাইজ মাসিস নিংথৌকাবা নুমীৎতা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই কয়া অরুবা ফীভমদা লৈরি। পুলিসনা দোনদা ফোঙদোরকখিবদা, খৎন-চৈনবা অদু লাইনিং-লাইশোনগী টেন্সনগা মরী লৈনদে। তৌইগুম্বসুং ইচম চম্বা লোকলগী ওইবা য়েৎনবা অমগা মরী লৈনৈ। মফম অদুগী কম্যুনিটিদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোক্লকপসি মদুনা অহানবা নত্তে। নোংমাইজিং নুমীৎতসু মান্নবা মওংদা হাৎন-শুনবা থোকখি।

তৌইগুম্বসুং ঐচ বি এল পাকিষ্টান সুপর লিগ (পি এস এল)গা মরী লৈননা মথৌ চিল্লিবা লাহোর পুলিসনা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা ঙমখিদে। নিংথৌকাবা নুমীৎতা মীওই ২০০ রোম লম্বীদা পুনখি অমসুং মখোয়গী মরক্তা অমগা অমগা স্লোগানশিং লাউশিন্নখি অমসুং অমগা অমগা চৈ-থাংনখি। পর্ভাইজনা ময়ুমদগী থোক্লত্তুনা অতোপ্পা কম্যুনিটিগী মীওই কাঙবু অমগা থেংননবা হোৎনখি।

তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা কম্যুনিটিগী কাঙবুশিং অদুগী মরক্তা য়াওরম্বা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংথক্তা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি। পর্ভাইজবু মীওই কাঙবু অমনা কোয়শিনখি অমসুং মখোয়না মহাকপু য়োৎচৈ অমনা মকোক্তা কনখি। নহা ওইরিবা মীওই অদুনা শিখিবগী পাউ খৃষ্টিয়ন কম্যুনিটিগী মরক্তা য়াম্না থুনা শন্দাকখি। পুলিসনা সস্পেক্ট অমা ফাবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবা অতৈ মীওইশিংগী মায়োক্তা মী হাৎপগী এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি।

# হোংকোংদা নমথাক তৌবগী কেস চাদা ২৪ হেনগৎখি

হোংকোং, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী): কুমজা ২০২১দা হোংকোংদা নমথাক তৌবগী কেস ১৯,০০০ হেন্না রিপোর্ট তৌদুনা মমাঙগী চহীদগী চাদা ২৪ হেনগৎখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী ফীভম মখাদা মীওই কয়া অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়ানা ওনলাইন নৎত্রগা মল্টি মীদিয়া চেনেলশিংদা মায় ওনশিন্নখি অমসুং স্কেমরশিংনা ইন্টর্নেট অমসুং সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নদুনা ক্রাইম কয়া চত্থখি।

পুলিস রিপোর্ট মতুংইন্না হোংকোংদা থেংনবা নমথাক তৌবগী কেসশিং হৌখিবা চহীদা চাদা ২৪ হেনগৎতুনা পুন্না কেস ১৯,২৪৯ য়ৌখি। কেস অপুম্বগী চাদা ৭০ হেন্না ওনলাইনদা তৌবা নমথাকশিংগা মরী লৈনখি। টেলিফোনগা মরী লৈনবা নমথাক্কী কেস মশীং ৫৩ হন্থদুনা ১,১৪০ ওইখি। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা নমথাক্কী কেসশিংদা মাঙখিবা শেনফমগী চাং চাদা ৪১ হেনগৎলত্তুনা হোংকোং দোল্লর মিলিয়ন ৮১০ হায়বদি য়ু এস দোল্লর ১০৩ য়ৌখি। পুলিসকী মতুংইন্না ওনলাইন গেটিং ইনভেষ্টমেন্টগা মরী লৈনবা নমথাক্কী কেসশিংগী মশীংসু কুমজা ২০২১দা মমাঙগী চহীদগী হেনগৎখি।

# কোভিদকী অথিংবশিং কোমথোক্নবা ৱারেপ লৌখ্রে



কুৱেট সিটি, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী): কুৱেটনা ফেব্রুৱারী ২০দগী কোভিদ-১৯গী অথিংবশিং কোমথোক্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না গভর্ণমেন্টনা স্পোক্সমেন অমনা লাউথোকখ্রে।

গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন তারেক অল-মেজ্রেননা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা কনফরেন্সশিং, ইভেন্টশিং, লুহোংবগী থৌরমশিং, মীটিংশিং অমসুং কন্সর্টশিং ইন্দোর নৎত্রগা আউটদোর অনীমক্তা হকশেলগী তঙাইফদবা কাঙলোনশিং ঙাকহল্লগা পাঙথোকপা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌরে। চহী ১৬ মখাগী মীওইশিং নত্তনা ভেক্সিন কাপ্পুবা মীওইশিং খূদিংমক মোলশিং, সিনেমাশিং, কন্সর্টশিংদা চঙবদা নেগেটিভ পি সী আর টেষ্ট উৎকদবনি।

ট্রাভেল প্রোসিজরশিংগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মপুং ফানা ভেক্সিন কাপ্লবা সিটিজনশিং অমসুং রেসিদেন্টশিংগী ওইনা কুৱেটতা থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা পি সী আর টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওই হায়বসি উৎকদবনি। লৈবাক অসিদা থুংলবা মতুংদা হান্না চৎনরম্বা হোম ক্বারন্টিনগী তঙাইফদবা অদু হৌজিক্তি লৈররোই।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইম্যুনাইজেসন মপুং ফাদবা মীওইশিংগী ওইবা গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা পি সী আর টেষ্ট তৌহন্দনবা ৱারেপ লৌরে। ভেক্সিন কাপ্পুবা মীওইশিংগী ওইনা ফ্লাইট তোংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা পুং ৭৩গী মনুংদা পি সী আর টেষ্টতা নেগেটিভ ওইগদবনি। লৈবাক অসিদা থুংলবা মতুংদা হোম ক্বারন্টিন নুমীৎ ৭নি তৌহনগনি। তরেৎনি শুবা নুমীৎতা মীওই অদু পি সী আর টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইগদবনি। কুৱেট গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিং মার্চ ১৩দগী কেপাসিটি মপুং ফানা মহৌশাগুম থবক তৌবা হৌরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।


Format C – 1

*(for candidate to publish in Newspapers, TV)*

Declaration about criminal cases

(As per the judgment dated 25th September, 2018, of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 ( public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)

Name and address of candidate: Sanglakpam Preshyojit Sharma, Khongman zone 2 west. P.O. Singjamei P.S. Irilbung, District. Imphal East State. Manipur.

Name of political party: Janata dal (united).

Name of Election: 12th Manipur Legislative Assembly Election 2022.

*Name of Constituency: 5-Thongju Assembly constituency.

I, Sanglakpam Preshyojit Sharma, a candidate for the abovementioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

(A) Pending criminal cases

| Sl.No. | Name of Court | Case No and dated | Status of case(s) | Section(s) of Acts |
| --- | --- | --- | --- | --- |
| 1. | Special Court (PC Act, Imphal West, Manipur) | FIR No. 9(9)2020-V&AC PS u/s 120 B r/w 420 IPC and 13(2) r/w 13(1)(c)(d) of PC Act,1988, during the year 2017-2018. dated 19-09-2020 | Under Investigation | S.120B read with 420 IPC and 13(2) read with 13(1)(c)(d) of PC.Act 1988. S.120 B read with S.420 IPC-criminal conspiracy to commit offence of cheating. S. 13(2) read with 13(1)(e)(d) of PC.Act,1988-criminal misconduct by public servant for misappropriation of fund fraudulently |
| | NIL | NIL | NIL | NIL |
| | NIL | NIL | NIL | NIL |

(B) Details about cases of conviction for criminal offences

| Sl.No | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed | **Maximum Punishment Imposed** |
| --- | --- | --- | --- |
| | NIL | NIL | NIL |
| | NIL | NIL | NIL |
| | NIL | NIL | NIL |

*in the case of election council of State or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

HL-B/7465/13,16 & 20